**RNU, IMPHAL**

**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**

**(DATE 06-04-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৬-০৪-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবা লালহৌবা মঙা অমদি দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ফারে।

২) নোনে জিলাগী লুংবাংলোং খৌপুম খুলগী অকোইবদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী মতম কক্তনা ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিত্যাগী ধারা ১৬৩ গী মখাদা মীওই ৫ দগী হেন্না পুনবদা অথিংবা থমখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাজ্য ৪ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ১গী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোন্বগী থবক কনখৎলক্লি।

----

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবা লালহৌবা মঙা অমদি দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ফাখি।

পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তনা চথুরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চনা ময়াই লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী কে.সি.পি অপুনবগী মীওই অমা ফাখি। জিলা অসিগী মনুং চনবা শেঞ্জম খুনৌদগীসু প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমসু ফাখি। মীওই অসিদগী মোবাইল ফোন অমদি আধার কার্দ অমা ফংখি।

থা অসিগী ৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পেলেস কম্পাউন্দ মহাবলি মমাঙদগী য়ু.এন.এল.এফ(কে)গী মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওই অসি জিরিবামদগীনি। হৌজিকা নিউ চেক্কোনদা লৈবনি। নুমিৎ অসিমক্তদা, তেংনৌপল জিলাগী য়াংগৌবুং খুলদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অনি ফারে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙরাং নোর্থ এ.ও.সিদগী মীওই অনি ব্রাউন সুগর গ্রাম ৩১২ গা কোন্ননা ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু বিহারগী বুক্সার অমসুং সিতামারি জিলাদগীনি। থা অসিগী ৪ দনা মনিপুর পুলিসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তাদগী মীওই অনিসু হেরোইন নম্বর ফোর য়াওবা সাপোন কেপ ১১ গা কোন্ননা ফাখি। লোয়ননা, সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা বুংজাং অমসুং সাইচাং চীংশাং পরেংদা পাক শন্না থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

মরক অসিদা, মনিপুর পুলিসনা ত্রাফিক্কী নিয়ম কাইনা গারি থৌবশিংগী মথক্তা ফাইন থিহনবগী চথুরি। মমাঙ থাগী ৩০ দগী ঙরাং ফাওবদা পুলিসনা পুন্না লূপা লাক্ষ ১ লিশিং ৮৮,৫০০ খোমগৎখ্রে হায়রি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী খৌপুম সব-দিভিজনগী মনুং চনবা গুইতাংদা লমগী ৰাহৌদগী হিংশাগী থৌদোকশিং থোরকপদগী ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী খৌপুমগী অকোইবদা ভারতিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিত্যাগী ধারা ১৬৩ গী মখাদা মীওই ৫ দগী হেন্না পুনবদা অথিংবা থমখ্রে। জিলা অসিগী মেজিস্ত্রেটনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না অথিংবা অসি মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা লুংবাংলোং খৌপুম খুলনা কোনবা মফম পুমমক্তা চৎনগনি। অথিংবা অসি লৈরিঙৈ মনুংদা মীওই ৫ দগী হেন্না পুনবা অমদি মী শিবা য়াবা খূৎশু খূৎলাইনচিংবা পায়দুনা চৎপা য়ারোই। অথিংবা অসি ঙাকা চৎনবা খৌপুম সব-দিভিজনগী সব-দিপ্যুতি কলেক্তর য়াওনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎনবসু দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেটকী চেরোল অমনা খঙহল্লি। অদুম ওইনমক অথিংবা অসি সরকারগী এনফোর্সমেন্ট এজেন্সী অমদি তঙাইফদবা থবক থৌরমশিংগী ওইনদি কোমথোক্কনি হায়রি।

**এম.এম.টি.য়ু(এল)ঃ** মীতৈ মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ননা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফাল হষ্টকী তোপ অৰাং লৈকাইদা এন.আর.সি পাঙথোক্লবা মতুং মীতোপ খন্দোকপগী থবক চঞ্জনবগী মতাংদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা হায়-মপালদগী আইন কাইনা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপনা লমদম অসিদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংদা চৈথেং কয়া পীরি। মরম অদুনা, সরকারনা মীকোক থিনবা থৌরাং তৌরিবা অসিগী মাংওইননা এন.আর.সি শোইদনা পাঙথোক্কদবনি হায়নসু আপিল তৌরি। মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়-মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদমদা ইং ২০০১ অমসুং ২০১১ গী মীকোক থিবদা হেনগৎলক্লিবা মী মশিং অসি কনা কনানো অমদি মতৌ করমা হেনগৎলকপনো হায়বদু নিংথিনা য়েংশিনবা চংই।

**পিএম ঃ** রাজ্য ৪ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ১গী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী কুচ বিহারদা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্য অসিদা আইন লৈতবা অমসুং সরকারনা মথৌ নিংথিনা তৌদবগী থৌওংশিং উরে। মহাকা হায়-মালদাদা থোকখিবা থৌদোক্তা জ্‌দিসিয়েল ওফিসর কয়া মীয়ামা পুং কয়া ফাজিন্দুনা থম্বগী ৱাথোক হৌজিক সুপ্রিম কোর্টতা মসিগীদমক থিজিন হুমজিনগদৌরি। শ্রী মোদিনা হায়-রাজ্য অসিদা নুপীশিংগী ফিভম ফনা লৈতে । সরকার অসিনা মখোয়গীদমক ঙাকপী শেনবীবা ৱাৎলে হায়বদু উবা ফংলে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সংসদকী অখন্নবা মীফম থা অসিগী ১৬,১৭ অমসুং ১৮ দা পাঙথোক্কুনা ২০২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী ৱিমেন্স রিজর্ভেসন এক্ট চৎননবা খন্নরগনি।

**ই.সিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা লাক্লিবা বিধান সভা মীখল অমসুং মরক্কী মীখলশিংগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী শেল, য়ু, দ্রগ অমসুং অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপগী মমল লূপা কোতি ৬৫০ হেল্লে হায়রি। ইলেক্সন কম্মিসনগী চেরোল অমনা হায়-রাজ্যশিংগী ওইনা য়েংনবদা নোংচুপ বেঙ্গলনা মীখলগা মরী লৈননা ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মমল খ্বাইদগী য়ামা ৱাংলি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না লূপা কোতি ৩১৯ য়ৌরে হায়রি। মসিগী তুংদা, তামিল নাদুনা মথং শিৎনা লূপা কোতি ১৭০ গী পোৎলমশিং ফাগৎলে। অসামদগী লূপা কোতি ৯৭ কেরালাগী ওইনা লূপা কোতি ৫৮ অমসুং পুদুচেরিদগীনা লূপা কোতি ৭ ফাগৎলে হায়রি।

**এদসঃ** ভারতনা ঈশিং ঈচাউ অমসুং যুহার হাবনা শোকহল্লবা অফগানিস্তানদা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখ্রে। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মপাল থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিবৈঙেগী মমাঙদা অফগানিস্তানদা ঈশিং ঈচাউ অমসুং যুহার হাবনা লৈবাক অদুদা অৱাবা চৈথেং পীরি। ভারতনা অফগানিস্তানগীদমক তোঙান তোঙানবা তেংবাংগী পোৎলমশিং-কিচন সেট, হাইজিন কিটস, প্লাস্তিক সিটস, তর্পোলিন, ইসলিপিং বেগস অমসুং অতৈ নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং য়াওনা তেংবাংখ্রে। লৈবাক অসিগী ৱারবা মতম অসিদা ভারতনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা পীবা য়াবা তেংবাং পীগনি হায়রি।

**ত্রাইবেল ফেষ্টঃ** ভারত ত্রাইবেল ফেষ্ট ২০২৬ ঙরাং নিউ দেল্লিদা লোইশিনখ্রে। নুমিৎ ১৯ নি চুপা চথুরকপা ফেষ্টিভেল অসিদা ত্রাইবেলশিংগী নাৎ অমদি চৎনবী অমদি খূৎ শা হৈবশিং উৎথোকখি হায়রি। ত্রাইবেল এফিয়র্স মন্ত্রালয়না হায়-ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা স্তোল ২০০ হেন্না হাংদোক্তুনা ত্রাইবেলশিংগী হেন্দিক্রাফট অমসুং হেন্দলুমগী পোৎলমশিং মীয়ামদা উথোকখি। বন্ধন বিকাশ কেন্দ্র ৭৫ হেনবদগী আর্টিসেন অমসুং তোঙান তোঙানবা মীওই ৩০০ হেন্না শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেলগী ফুদ স্তোল ৩০ হেনবসু হাংদোকখি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

খেমচান্দনা জিরিদগী অসামদা চৎতুনা বি.জে.পিগী ভোৎ খোমখিবা, উখ্রুলগী লিতানদা খূৎলাই পায়বশিং খূৎ থোকখিবা অমসুং অকনবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা কোংবা মরুগী লাইফমলেনদা ইরাৎ থৌনিখিবগী পাউনা-ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী জিরিবাম খোঙচৎকা মরী লৈনবা পাউশিং তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা ফোঙনরি।

পোকফমদনা-খেমচান্দনা জিরিদগী অসামদা চত্তুনা বি.জে.পিগী ভোৎ খোমখ্রে, হিমন্ত বিস্বানা মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিয়েট লেঙ্গ্যুএজ ওইনা হাপখিবনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী, দ পিপলস ক্রোনিকল অমসুং দ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরীদনা লমগী চয়েৎনবা খরদগী জিরিবামদা আই.এস.টি.টি শানবা উরেপ উয়ুং তমখিদ্রে, জিরিবামবু মোদেল দিষ্ট্রিক্ট ওইনা শেমগৎকনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সনালৈবাক, মণিপুর মেল, অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙবা থেংনরি।

মীহুৎ খনবদা শেল লৌদনা অফবা মতিক চাবা মীৎয়েং শান্না উরগা থবক তৌগদবা খল্লসি হায়বা এম.পি বিমোলগী ৱাফম- পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউ অমদি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ওক্রম হেনরিনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিতিসনগী ৱায়েল চত্থবীদ্রে হায়না সুপ্রিম কোর্টতা হাই কোর্ট অমসুং রেস্পোন্দেন্ট অহুমগী মথক্তা ৱাকৎলক্লে, এপেক্স কোর্টনা হাই কোর্টতা চৎনবগী লিবরতি পীরগা দিসপোস তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সি.এমনা জিরিদা শান্তি থমবা লাউরিঙৈ উখ্রুলগী মফম অনিদা কুকি অমদি তাঙ্খুল অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- দ পিপলস ক্রোনিকল, দ তামেংলোং তাইমসসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

অকনবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা কোংবা মরুগী লাইফম্লেনদা ইরাৎ থৌনিখ্রে, দি.সি.না পীবা পুংফম মাংওইননা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপথরকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা-সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা ৪ ফারে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

এম.য়ুদা বোম থমজিল্লম্বগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অমসু পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি।

গানফিউ মেলদা- রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুরনা লৈঙাংপোকপী জিরি পুলিস গেট অমসুং রিজর্ভ ফোরেষ্টকী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরদা য়েংশিনবীনবা তকশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- প্রধান মন্ত্রিগী অসাম খোঙচৎকী মাংওইননা অৱাং নোংপোক লমদমদা আইন কাইনা মীতোপ চংশিল্লকপগী ৱাথোক অসি লোইশিনবীনবা য়ু.এন.সিনা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--- পাউ লোইজরে ---**